# ঙসি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট মীখলগী ভোট থাদরগনি

## এম এল এ ৬০, এম পি ৩ না পুন্না মুখর্জিদা শৌগৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুলাই ১৮ঃ* ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট খন্ননবা মীখল ষ্টেট খুদিংমক্তা পাঙথোক্লবগুম মণিপুর ষ্টেটকী এম এল এ ৬০ না হয়েং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী কম্মিটি রুমদা অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা ভোট থাদনরগনি। মীখল অসিদা মণিপুরগী এম এল এ ৬০ মক্না রুল্লিং ওপ্পোজিসনগী খেন্নবা থমদনা এম পি ৩ গা পুন্না য়ু পি এনা পর্পোজ তৌবা মীরেপ প্রনাব মুখর্জিদা শৌগৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবদা চিফ মিনিষ্টরগী ওফিস চেম্বরদা সি এম ইবোবী, হোম মিনিষ্টর গাইখাঙম অমদি এ আই সি সিগী ওবজার্ভর য়াওনা কংগ্রেসকী লুচিংবা কয়াগা লোয়ননা মণিপুর প্রদেশ ত্রিনামুল কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট কিম গাংটে, পার্টি অসিগী লেজিসলেচরগী লুচিংবা এম এল এ ডাঃ আই ইবোহলবী, এম এস সি পিগী এম এল এ শিং, লোকজনা শক্তি পার্টিগী এম এল এ করাম শ্যাম য়াওনা এম এল এ কয়ানা পুন্না ফম্মিন্নদুনা অমত্তা ওইনা প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইরিবা প্রনাব মুখর্জিবু শৌগৎনবা ৱারেপ লৌখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা মশাগী থবক অচিনবা লৈবদগী শরুক য়াখিদ্রবা নেসনেলিষ্ট কংগ্রেস পার্টি (এন সি পি) গী লুচিংবা অমসু ওইরিবা কৈশামথোং কেন্দ্রগী এম এল এ লাইশোম ইবোমচাদি মশাগী থবক অচিনবা অমা লৈরে হায়দুনা লাকখিদে। অদুবু প্রসিদেন্ট মীরেপ প্রনাব মুখর্জিবু শৌগৎলগনি হায়না মহাক মশামক্না ফোনদা সি এম অমদি মিনিষ্টর এম এল এ শিংদা খঙহল্লকখি।

নাগা পিপল ফ্রন্ট (এন পি এফ) কী এম এল এ ৪ মকশু মশাগী অরুবা থবকশিং লৈবা অমদি মপাল্লমদা লৈখিবদগী প্রসিদেন্টকী মীখল অসিদা য়ু পি এনা পুথোকপা প্রনাব মুখর্জিবু শৌগৎলগনি হায়বা ৱাফম টেলিফোনদা সি এম মশামক্তা এন পি এফকী এম এল এ শিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখি হায়রি।

মণিপুরীগী ওইনা এম এল এ অমগী ভোটকী ভেল্যু অসি ১৮ নি। এম এল এ ৬০ গী ভোটকী ভেল্যুনা ১০৮০ নি। মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (এম পি) অমগী ভোটকী ভেল্যুনা ৭০৮ নি। অপুনবা এম পি ৩ গীনা ভোট ভেল্যু অসি ২১২৪ নি। এম এল এ ৬০ অমদি এম পি ৩ গী অপুনবা ভোটকী ভেল্যুনা ৩২০৪ নি।

হয়েং ভোট থাদনগদৌরিবা অসিদা এম এল এ ৬০ অমদি এম পি ৩ না পুন্না প্রনাব মুখর্জিদা ভোট থারগদি মহাক্না ভোটকী ভেল্যু ৩২০৪ ফংলগনি।

# ত্রিনামুলগী এম এল এ ৭ মুখর্জি শৌগৎকনি

### - ডাঃ ইবোহলবী

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুলাই ১৭ঃ* ত্রিনামুল কংগ্রেস পার্টিগী এম এল এ ৭ মক্না হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট মীখলদা য়ু পি এনা পুথোক্লিবা মীরেপ প্রনাব মুখর্জিবু শৌগৎলগনি হায়না মণিপুর প্রদেশ ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লেজিসলেচরগী লুচিংবা ডাঃ আই ইবোহলবীনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি বাবুপাড়াদা লৈবা এম এল এগী ক্বার্টরসতা প্রনাব মুখর্জি শৌগৎলগনি হায়বা ৱাফম লাওথোক্লদুনা এম এল এ ইবোহলবীনা ফোঙদোকখিবদা ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কংগ্রেসকী হায় কম্মান্দগী ইন্স্ত্রক্সন মতুংইন্না পার্টি অসিগী মণিপুরগী এম এল এ ৭ না প্রনাব মুখর্জিবু শৌগৎনবা ফিরেপ লৌরে। মণিপুরগী প্রজা মীয়াম্না প্রসিদেন্টকী মীখল অসিদা ত্রিনামুলনা কনাবু শৌগৎকদবগে হায়বা ৱাফম খঙনিংবা লৈরম্বা অদু হৌজিক পার্টি অসিগী চপ-চাবা ফিরেপ অমা লৌরে। প্রনাব মুখর্জিবু শৌগৎনবা ৱারেপ লৌরে। ত্রিনামুলগী এম এল এ ৭ কী ফিরেপ অসি ঙসি চিফ মিনিষ্টর ইবোবীগা উন্নদুনা খঙহনখ্রে হায়না ডাঃ ইবোহলবীনা ফোঙদোকখি।

ত্রিনামুলগী এম এল এ মাইবম কুঞ্জো য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবদা এম এল এ ডাঃ ইবোহলবীনা মখাতানা ফোঙদোকখিবদা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা পার্টিগী ওর্গনাইজেসন য়াওনা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা লাক্লিবা জুলাই ২১ দা নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদগী পার্টি অসিগী লুচিংবা কয়া য়াওনা পাঙথোক্কদৌরিবা খন্ন-নৈনবা অসিদা মণিপুর প্রদেশ ত্রিনামুল কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট কিম গাংটে অমদি মহাক মশামক চৎতুনা শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা হন্দক পাঙথোকখিবা এসেমব্লি সেসনদা ত্রিনামুল কংগ্রেসনা লৌখিবা পার্ফোমেন্সকী রিপোর্ট অমসু পাউদম্লগনি হায়না ডাঃ ইবোহলবীনা ফোঙদোকখি।